Sunday, November 05, 2023, Imphal

ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO

"ফনা নুংশিবা কোকিলগী খোঞ্জেলসু ওইসনু। চিল্লোক্লবগী মখোলসু ওইসনু। নূংনা শাবা থম্মোয়দা অরেম্বা ওইগনি।"
*- পাচা মীতৈ (কালিমাই মমাঙদা লাইবক কৎপসু য়াওই, কত্তবসু য়াওই)*

## শৈরেং

### 'মীৎকপ থোক্লো'

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

মীৎকপ থোক্লো পাঙ্গনবশা
মতম ওইরে মীৎকপথোকপা
খোল্লেন তুমখুন তাল্লিঙৈদা
ইমা লৈবাক কনঙল্লরোই।
অথৌবা পোকপী ইমানি
উৎলল্লো ঙসি মালেমদা
পোক্লফম ইমা ঙাক্লসি
য়েক্লবা কয়া থেংনসি।
নুংশিজৈ পোক্লফম ইমা
মালেমদা পুমহেল হেল্লবী
নচাগী শীংলিগী ঈসে
ইমা নঙোন্দা কৎচরে।

### মঙলান্দুগী মরুমদা

**—এম নিলকুমারী**

মঙলান্দুগী মরুমদা
কুফেৎ কাফেৎ উখি নহাক্কী শক্তম।
হংখি- নহাক করি তৌবা লাক্লন্লিবা?
শং-শংননা ইমাংসিদা-
পাউখুম্লি লমখৈ ঙমখৈ কন্নবনি-লাক্লিবা।
লান য়ালবা লাকপনি।
শিরবা থৱায়দি লান য়াওররোই।
মতিক মথৌনা লৈতবগী লাননী তাইবঙগী লাননি:
লান নত্তে মীওইবনা মীওইববু থৱায় লৌনবনি।
হাৎতোক্লবনি।
শিরগদবা মীওইপোক
ঙাইঙমদনা হাৎতোক্লবনি
পোক্লবদি শিবা মশানা তাবনি।
পূন্সি কয়া তেমশিংননা
হান্না-হান্না হাৎপা তান্নবগী লাননি।
অঙৌবা উরোক অহাঙবা মালংদা নাইতোম পাইরি
জুরা মাঙখ্রবা লম্বাংনরবা
লমথুংফম অমগীদমক
কোইপাই পাইরি
নুমিৎনা মঙাল লৈরিঙৈ
কোরৌনা নারল চন্দ্রিঙৈ
লান লোইখ্রে শিখ্রবা নহাক্কী থৱায়গীদমক্তি
পোত্থারুরো নুংঙাইনা
লমখৈ ঙমখৈগী ৱাদ্রবা মফমদুদা
মঙলান অদু মঙফাওনখি
খঙহল্লমদনা।

### 'হেমন্ত ঋতুগী শৈথারোল'

**—অঙোম ইবোমচা**

ঈংল মলয় নুংশিৎনা খোঙলোই-ওই
খোঙদোইরক্লে নৌহৌননা মালেমদা
ঈংন মেংলবি হেমন্ত
ইরোইননা মেরা হিয়াঙ্গৈ।
ওলাং মৈশা কোক্লনা
থম্মোয় য়েন্নিং হুন্ন-থা
চীংমী-তম্মী অনীগী
নুংশি পরৈ চেৎননা
হৌচোং কুম্মৈ পাঙনা-থা।
নঙগী মেঙলবা থাবলগী ইপোমদা
লৈশাৎ তমজরি ফুগাইনা সনারৈ
শাজরি জগোয় হাইন-হুম্না
মালংবগী ঈংলবা তান্থাদা।
পকচৈ ফজৈ কুচু মান্নৈ
খেন্নদে অমগা-অমগা,
ইকায়দুনা লোৎচৈ লৈচিল্লক্তা
নোংদোনথক্কী পুর্ণিমা থাজনা।
মথুম-মরাং হৌন-থা
নিঙোল ওইবীগী থম্মোয়নুং
মপাম লমদম চৎনি-খন
মবুং-মৌপ্পা উননা
হরাও চাকলেন চানি-খন।
খারি লৌবুক মায়কৈ -পুম
সনাগী মচুনা ফিজেৎ-থোন
শাজরি জগোয় ফৌনানা
হাইনা-হুম্না মনীং-তম
ঈংলবা মালংগী তান্থাদা
হেমন্ত মাগী মশাইগোন্দা।

### অনৌবা মপাও

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

খোৎচিন্দুনা থমহৌদ্রবা
ৱাখলগী ঈথক-ঈরৈশিং
চেন্থরদুনা পুখ্রে
কুমগী নোংজু অসিদা
নীংশিংবগী পনখৈ ৱাংমা লানখিদুনা
পূম্নমক অমুবা ফিজংনা কুপশিনখ্রে।
অমংবা লৈচিল নোংফাই মরক্তা
নোংথাংনা কুফেৎ-কাফেৎ ঙানবগুম
ৱাখলগী ইথকসু অমুক অমুক
কুফেৎ-কাফেৎ ঙাল্লরি,
অমম্বা মরক অসিদা কনাসু উদে
কনাসু খঙদে, লৈচিল-নোংফাইনা
কুপশিল্লবা অহাঙবা লৌবুক-লম্বাং
লোইরোই লোইরোই ঙল্লবা
চীংশাং পরেংশিং মপূং ফারবা
উপালশিং, উনানা উখোং-ৱাখোঙ
ইচায়-ইচায় চাইরি।
অশংবা উনাশিংনা মালং শাহুম
ফংবদা চোইজাইনবা শল্লাংগুম
হাইনা হুম্না লৈরি।
ঐগী ৱাখলসু মালং শাহুম ফংবদা
লীরি লীরি তান্থা চানা ঈচেল'দুদা
অপীকপা আশাগী হীনাও
অমদা তাওথরক্লি।

### ইমাগীদমক

**—থোকচোম রধুনাথ**

চৎলবনি চৎলবনি ঐখোয় পন্থুং অমগী
ইমাগীদমক ইমাগী নীংবা থুংনবা
ইমানা পামজবা, ইমানা নীংজবা
নুংশি-চান্না হিংমিন্নবা পূন্সি,
অমত্তা ওইবা অমত্তা ওইবা।
অনৌবা য়াওল অনৌবা লৈবাক
মতমগী খোঙচৎনা তঙ্লকপা য়াথংনি।
কয়াদা মতিক ইমানা তেংথাখি থম্মোয় শোক্লা
মাঙদা লেপ্লরে, ফোং ফোং কেকু 'মখোয়দু'
চেনফদবা মতৌনি লাকচ-খুদুম চনখিবা।
থাজদনা থোকখিবা থৌদৌনা
খাম্বী মৈহৌরে জীব, থৱায় কয়ানা
মশক খঙনা খঙনা উনদবা শাদুনা
চাইখাইবিরল্লে থৱায় কয়াগী তেংথাখোল
নাহেনবা থৱায় মচা, অচৌবশিংনা শাইদাংফম লৈতরে।
নুংশি হৈতবা, হে অপংবা নখোয়বু
কনানো? কদাইদগী কনানা লাং থাকপনো?
ইকায় খঙদনা পুকথনবা য়ূমদাংবনা কৈনাবা
ফিরিংগী লমলৌ মতৌনে।
নখোয় ঐখোয় করি খেন্নে
থৱায়গী থৱায় ঙাক্তনি খঙনা খঙনা উশিন্দবা!
চৎলবনি ঐখোয় ইমাগীদমক।

### নোংলৈলক্কী মেরা থাউমৈ

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

মৈনা ৱায় তাংনা শম
নীংশিংবা থোক্ত্র মতমদৈ
লৈজরকপা চীং তমগী
শেংল মরীবু থাগোন্নজ,
ইখূৎ অনীসিমক্লা চুখৎচরগা
মেরা থাউমৈ অরংবা
লাইশোন তিনশোন তৌরদুনা
চিংখৎচখি ৱাতোন লোম্না;
বঙ্গোপ সাগরদগী হুল্লকপরা
অৱা লৈবাক্তগী শিৎচিল্লকপরা
মায়কৈ সলাই খঙহৌদবা
শাফু কল্লবা নোংলৈ 'মনা
মরূ ফূক্লা হুমদোকপীখ্রে
থৱায়না খোয়দাজবা মেরা ৱা
ৱাতোন্দা থাল্লম্বা থাউমৈদুসু
লৈমায়থক্তা তারক্তুনা অদুম মুৎখ্রে!
ওন্থোক্লা তৌহৈদবা খুদম চাংদম্লি
থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইজখিদে
খঞ্জরে পাম্বৈ লৈত্রবা ঐহাক্লা
থাল্লরোই অমুক হন্না মেরা থাউমৈ
নোংলৈ লিশীংনসু হুমদোকপা ঙল্লরোইদবা
নোংদোলথক্কী থাজ নহাক্লা
ওইবীদুনা মুৎনাইদ্রবা থাউমৈ
পুনশিনহনবীরো চীংমী তম্মীবু অমুক হন্না।

## জবলপুরগী খোঙচৎ - ৪

ঐখোয়গী লৈফমদা হল্লক্লগা ঈরু মায়থজরগা থৌরম য়াওবা চৎনিবগী থৌরাং তৌরে। গাড়ীদু থেঙনা লৌবা লাকপদগী খরা থেঙদোকখ্রে। পুং ১০.৩০ খরা হেনবদা চৎলে। ঙরাংদি শ্রীভিনিত তিৱারিনদি ঙন্না লাক্লবা হায়বনি অদুবু থেঙদোকখ্রে। ঐখোয় থৌরম পাঙথোকফমদা চঙলে। মঙাশুবা সেসন্দা কম্মিটমেন্ট তু রাইটিং ইজ কম্মিটমেন্ট টু দ লাইফ হায়বা থিমদা ৱাঙাঙলোই মঙানা ৱা ঙাঙবীখি। ৱাঙাঙলোই অয়াম্বনা মণিপুরগী থোক্লিবা ঈরাংসিগী মরমদদি হেক্তা পনবীরকই। নুমিত্তুদা অনৌবা এগজিক্যুটিভ অমসুং ওফিস বিয়ররশিংগী মিংসু লাউথোকখি। নেসনল প্রসিদেন্ট ওইনা অন্ধ্র প্রদেশকী আনন্তপুরদগী রাচাপালেম সী রেদ্দি, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা অন্ধ্র প্রদেশকী গুন্তুরদগী ভলুরু শিব প্রসাদ, ইপতাগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা লক্ষনৌদগী রাকেস অমদি জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা পটনাদগী তনভির অখতারবু খনখি। মরক্তা তাঞ্জা য়েংলগা ঐনা পুরকপা মণিপুরগী লেংয়ান্দু নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি সুখদেব সিংহ অমদি ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি ভিনিট তিৱারি অনীদা ষ্টেজদা কাদুনা খূৎশিন্নরে। ৱাখলদসু নুংঙাইবা অমা পোকচখি।

দেল্লীদগী ইলিজাবেথ কৌবী অহল ওইরবী মশক-মতৌ ফজখ্রবী নুপী অমা ঐখোয়গী নাক্তা চঙশিল্লকই অদুগা ডা. নর কমদৌরি হায়না মানা হংলকই। অয়াম্বা দেলিগেটশিং নুমিত্তুদা হনগদবসু য়াওরম্মী। অয়াম্বনা ঐখোয়গী নাক্তা চঙশিল্লক্তুনা কায়ন-ৱাহৈ পীরম্মী। পূম্নমক্লা ঐখোয়বু নুংশিবা মীৎয়েংনা য়েংবী, লান থুনা লোইবা ওইরসনুসু হায়বীরম্মী। হল্লমদাইদা দাইনিং হোলদা চঙলুই। শ্রীভিনিট তিৱারিদা অমুক্তং হায়রম্মু হায়না। মহাক্লা ঙসাইদগী ঐবু উন্ননীংই হায়দুনা থিরিবনি হায়বা নুপী অমা থেংনরে। সরিকা ইন্দোরদগীনি, মশক মতৌসু ফজৈ, কুচুসু ঙৌই। ঐগা উনরে, খূৎ শোক্লরে। মাদি হয়েং ইন্দোরদা চৎখ্রনি, হংচিৎ নুংথিল মখোয় তরামুক লাক্কনি ইন্দোরদা উনসি হায়রকই। থৌরম লোইবা নুমিৎসিদি খরা ঙন্না লোইরে। ওজা রঙ্কিরনা শ্রী ভিনিট তিৱারিদা হয়েং কোইবা চৎপগী ৱারী হৌদোকই। অচৌবা থৌরম অমা শীনবগী অৱাবদু ঐ খঙই অদুনা ঐনা হয়েংদি ঐখোয়না অদুম তৌজরগে হায়বদা মহাক্লা হরাওনা ঐগী খূৎ শোল্লকই। পোৎলূম মচা অমা থাংথবগুম খল্লমগনি। অদুদগী ঐখোয়গী গাড়ীনা লৌবা লাক্তুনা ঐখোয়গী লৈফম রিজোর্টতা অমুক হল্লক্লে। ঙাইহাক কাদা পোত্থানরবা মতুংদা ৱাকিং চৎলুসি, চুজাক অরৌবা চারুসি হায়নরে, নহান্দগী লম্বীদা চুজাক অরৌবা য়োনবা উরগা মতম ফংদবদগী চাদনা লৈরকপনি, ঙসিদি চারে চুজাক অমদা লুপা ২০/২০। অদুগা চাগা বোরাগা চারগা নর্মদা তুরেলগী থোংদু ফাওবা চৎলুরগা অমুক হল্লক্লে। লাওন্দা ঙাইহাক ঐখোয় তরা পূন্না ফম্মিন্নদুনা হয়েং কোইবা চৎপা অমদি হনবগী মরমদা খন্নরে। থৌরম লোইশিনখিবদু অমরোমদদি ৱাই শংই।

— **ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

মতম মতমগী ৱাখল

## অচুম্বা ফঙনবা অরানবা তৌবা

অচুম্বা হায়বসি অশেংবগী মমিনি, অরূবগী হৌরকফম্নি। অচুম্বা হায়বসি অফবনি খঙনরগসু মীপূম খূদিংমক অচুম্ববু ফংবা ঙমদে। মীচঙ লৈজ দবা মতু শোনবা, লাইরবা মীওই কাঙলুপশিংনা অমুক্তা হেন্না অচুম্বগী মপূ ওইবা ঙমদে । অচুম্বদি অনৈবা অমাংবনা খুমজিন্দুনা থম্বা ঙম্মী । অচুম্বনা মশক থোকলক্কদবা, ময়েক শেংনা খঙলক্কদবদি মরোন মরাং তাক্লবা, হিকথরবা অরোয়বা মতমদা ওইগল্লি । অচুম্বনি খঙলবা ফাওবা অরানবা অদুম তাহনবীদুনা লোইখিবসু কয়ানি।



অচুম্বগা অরানবগা কনানা হেন্না কনবগে ? অচুম্বনা মমৈদা লাকচরকই। অরানবা তৌবদি লাইনা ৱারকই অসিনচিংবসি ঙল্লিঙৈদগী থাজনরকই। চীন্থাং য়ৈনা মীরোল কয়াদগী হায়নদুনা লাকখিবা ৱাহৈনি। ঙল্লিঙৈ লাইয়াম্না পানখিবা মতমদা অচুম্বগী মীচঙ লৈরম্মী । লাইয়াম্না অচুম্বগী মতেঙ পাংঙি । মহাভারতকী ৱারীদা মচিন মনাউ মঙানা চুম্মী মচিন মনাও চাম্মনা অরানবা তৌই হায়দুনা চাম্মগী মীচঙদা কনা অমত্তনা লেপ্পীংদে । মচিন মনাও মঙাগী অহল যুধিষ্টির অসি অচুম্বগী সিম্বোল ওইনা লৌনবসু লৈ। জগৎকী মপুনি হায়নবা কৃষ্ণনা মচিন মনাও মঙাগী মীচঙদা লেপ্পী। অরানবা পাউ ময়াম তমশিল্লগা চাম্মগা মঙাগা লান শোক্লহল্লি । শ্রীকৃষ্ণনা শান্নরিবা লীলা অসি অরানবা য়াম্না য়াওই হায়দুনা চাম্মা পোকপী গন্ধারীনা কৃষ্ণগী মমিং পনবা য়াদবা মখৈ শাওই । গন্ধারীনা কৃষ্ণদা শাওরিবসি কৃষ্ণনা অরানবা তৌই হায়বগীনি। কৃষ্ণনা তৌরিবা অরানবা ময়াম অসি অচুম্বা মশক তাক্লবনি হায়রি । মরম অসিনা অচুম্বা ফংনবা হোৎনবদা জগৎকী মপু কৃষ্ণ ফাওবদা অরানবা তৌই হায়বসিনি ।

কৃষ্ণনা হেক পোকলকপদগী মশাগী চহী তরুক শুবা ফাওবসি অরানবা ময়াম অমা তৌখি হায়রি। লম হেল্লি, লাক্ল ফানবা ঙমদে, ঙাওশিন্নৈ। মীগী অচাপোৎ শঙ্গোম, ননি-মাখন হুরাল্লি, চুম্না চানীংবা চাবা নত্তে, লুখাক ওইহল্লি, চাবা ঙমদবা ময়াম হৈদোক্তুনা চাইখাইখি, শঙ্গোম চফু থুগায় । চীং মচা ফুকতৎহল্লি। মীগী ষণবী ষন্নাও ময়াম লোৎশিল্লি । অঙাং মতীক নত্তনা মীফত্তশিং, হিংচাবা হাৎলি । তৌহৈদবা হায়বা মখৈ তৌখি। পূম্নমক অফবা অচুম্বা থিবগীনি । জগৎকী মপুনা তৌখিবশিংদি মপান্দা অরানবা ওইনা উহনবনি, মীওইবদা পাউতাক পীবা কান্নগদবা ঙাক্তনি। লান শোক্লবদা হাৎনরিবা ময়াম অসি অচুম্বা ফংনবনি। লানদা মী হাৎলিবসি মীহাৎপা হায়নদে। লান য়াওরুবা অমত্তা কৈশুমশঙদা থম্নদে । লানঙম ফিরাল থেৎলকপশিংবু হেন্না ইকায়খুম্নরি।

হৌজিক,ঙসিগী মীরোল অসিদা অচুম্ববু কনা কনানা কয়াম তৌরিবগে ? কনাগুম্বা অমা কন্নবগীদমক,লৈপাক মীয়াম অমা ফনবগীদমক,মশাগী ওইজবা থাদোক্লগা পূকচেল শেংনা কৎথোকখিবা কনাবু লৈরবগে ? লময়ানবা হিজম ইরাবোৎকী মথংদা ঐখোয়না কনাগী মিং শোন্নরিবগে, পন্নরিবগে ? ওন্ন-তৈনবা ঙাক্তনি। ঙসিদি অচুম্বা মালহল্লগা অরানবা ঙাক্তা পাঙথোকপনি। মীয়ামগী কান্নবা মালহল্লগা মশাগী কান্নবা হেন্না য়েংবা, মহাক মশাগী, ইমুং-মনুংগী হায়বসিনা মাঙ থারগা থবক খূদিংমক পাঙথোকপগুম মীচমশিংনা উবা ফংই। মিংচৎ, ইজ্জৎ হায়বা হৌজিক লৈতে। খুৎকন পাঙ্গনবা, তৌগে ঙম্বা, চিন কনবা-মণি পৱার, মসল পৱার হায়নবা অদু ওইনা ঙম্নবা হোৎনবগুম উই। সিদার্থ ওইরম্বদগী গৌতম বুদ্ধ ওইখিবা। অরান খুভম ফংদুনা মীওইবা মপোক তুংওইনখিবা। মহাকপু নীংহুনখিবা শোন্নরিবা অসি করিগীদমক্লো ?

কনাগুম্বা অমগী মরমদা অফ-ফত্ত নৈনবা হৌজিক্কী মতমদা লুনা থোকই । মী অমনা ফনা খন্নবা ঙমদে। নৈনরিবা মহাক্লসু ফনা উবা ঙমদে । চুম্মী, ফনা খনবা ঙম্বা মীসি খরদি তাংঙি। ফত্তবা অদুনা হেন্না মশীং য়াম্না তৌখিবনা অচুম্বা অমা মহাক্লা তৌজরবসু অফবা ওইনা উবা ঙমদে। পূম্নমকসি থাজবা মাঙবা হায়বসিনা থোকহনখিবনি। অদুদি করি তৌরগা মীগা মীগগী মরক্তা থাজবা মাঙহল্লোইদগে হায়বা ৱাহংসি হংনরক্কনি। ৱাহং অসিগী পাউখুম পীরকপদা ঙসাইগী মথক্তা নৈনখ্রিবা কয়াম চুম্না শেংনা পাউখুম পীরক্কদগে হায়বসি অমুক লাকই। মতৌ অসুম্না অমগা অমগা হংনরিঙৈ, য়েৎনরিঙৈ, মরাল থিনরিঙৈদা ঙরাং মরুম কোকখিবা তিল্লাইখোম্বীদি মচা ওন্দুনা থম্না চাবা হৈখ্রে । মতাং অসি য়ৌরকপদনি লুরিবসি ।

হৌজিক য়েংলু য়েংলুবদা লমদম অসিগী ফিভম য়াম্না লুই। মতম অমা লৈমা নিংথৌ পাল্লিঙৈদা লৈঙাকলম্বগী চৎনবীগা ঙসিগী লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনগা য়াম্না খেন্নৈ। লৈমা নিংথৌ পাল্লিঙৈদি নীংতল্লিঙৈনি। হৌজিক্তি মীখা থারগা ঙাকপা লৈঙাকনি। থক্কী অঙম্বশিংগী অয়াবা হায়বা অমা লৌদ্রগদি লৈপাক্কী মপুনি হায়দুনা তৌনীংবা পংতৌ তৌবা য়াবা হায়বদু ওইদে । তোয়না হায়নবা ৱাহৈ- ' ফ্রিদম ওফ স্পিছ', অপনবা অয়েৎপা য়াওদনা হায়নীংবা ঙাঙনীংবা ঙাঙবা য়াহনবা লৈরবা মতম্লি হায়নৈ । কদায়দা করম্বা মফমদা য়ারিবনো খঙদ্রি। হায়নীংবা ঙাঙনীংবা য়াদে । মীনা হায়নীংবা হায়বা ঙাঙনীংবা ঙাঙবা য়াহনবা হায়বসি মতাং মফমগী মতূংইন্না পীবা অয়াবা ওইগনি। মীশক মীওই খনগনি। ঙাঙনবা মীশকসু অয়াবা ফংলবা অমনা ওইফম থোকই। ঙাঙনীংবা ঙাঙবা, হায়নীংবা হায়বা অসিদগীনি অচুম্বা অরানবা খায়রক্কদৌরিবসি। অচুম্বা অরানবা খায়দুনা ৱায়েনগদবদি চৈরাপ-কুচুদনি।

মতম অমদি ৱায়েন কাটি হায়বা অমা লৈরম্মী হায়নৈ । ৱায়েন কাটিনা অচুম অরান ৱায়েন্দুনা অশেংবা মশক খঙহন্নরকই। চাউখৎলবা মতম অসিদদি ৱায়েন কাটিগী মফম লৈত্রে । চৎনখিদ্রে হায়দুনা কাটি ময়াসু থাংখিদ্রে, মমিং ফাওবা তাখিদ্রে । অরানবা অমা তৌরকপদা লাইগী ৱায়েন ঙাইনরম্মী। লাইগী মথংদা মীনা ৱায়েন চৎথরকপদগীদি অচুম্বা হায়বসি মাঙখিবা মাল্লি । অচুম্বা হায়বসি মতমসিদদি মাইনোরিটি ওই । মীনা শোন্থবসি মাইনোরিটি ওইরকপদগীনি। মতম অমা লংজা ক্বাক মরাঙ কায়না উরম্বা ঙসি উখিদ্রে । মণিপুরদা লংজা ক্বাক মাঙখ্রে । হৈরেম খুঞ্জা হায়বা মী কাঙলুপ অমনা মাইনোরিটি তাদুনা মুৎখিবগুম খরা লৈরগদি হান্না উরম্বা লৈরম্বা কয়া উরক্তবদা ঐখোয়সু য়াওরকপা য়ারি। অচুম্বা অশেঙবনা অসুক য়াম্না মপাঙ্গল শোল্লিবসি করিগীনো । হেক হেক হায়নখিবা য়ানশিনখ্রবা ঈ হায়বদু ওইরবা জাৎলা ? ঙাইবগা য়েংবগসি কুইমল্লে । কুইনা য়েংলবদি মশেন-মরাং উরকই । ময়েক শেংলিঙৈ,ইপা ইপুগী হায়নবা মতম্না লৈরিঙৈ, মপালনা ফরিঙৈ হায়বসি নীংশিংবা চুমগনি। কাওসু কাওদে করি শগোলনো, চীকসু চীক্তে করম্বা হূইনো হায়হনগুমসি। অশাবা মীতম্না লেঙদবনি। অশাবা মীতম ওইগুমসি ঐখোয় । *- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

## থোইবীচাগী মনিন

থোইবীচানা ফজবসিদি ইচিন থী হায়নি, ওখাক ফজবনি। ঐখোয় ক্লাস অমত্তদা কোলেজ তম্মীন্নবনি। ঐগী ইমান্নবা অহুমখক লৈ, কোলেজদা পূনবদগী অদুম তিন্নরবা। থোইবীমচাসু অদুম তিন্নৈ। অমরোমদা মরুপনি। লাইরিক্কী, ইমুং-মনুংগী, লৈকায়গী, পোলিটিক্সকী ৱারী শান্নৈ। কোলেজ লম্পাক্তা হেক-হেক ফমদুনা ৱা-ৱা নোকমিন্নৈ। শাথীরিসি, ঐখোয় ইমান্নবা অহুম্মক্লা থোইবীচাদা লাইক তৌবৈ ৱানিসে। থোইবীমচানা শিথ-শিথ নোকপসি উবদা মীগী ৱাদি খঙদে, ঐদি নুমিৎ নীনিগা ঙাওদুনা লৈজাৎনি, চানিগা কাউবনি। ইমান্নবশিংদুসু মমীৎতু উইথ-উইথদনা থোইবীমচাদা মীৎয়েং তাই হায়বসি ঐখোয় অহুম্মক্লা অদুম খঙনৈ। অদুম্নমক্তি ওইরগা মোই-মোইগী ৱাখলদা থোইবীমচাবু কাউবা ঙম্বদি লায়রদনা ৱাখলগী দলাল অৱাংবা ময়াম অমা শাগৎলি হায়বসি ঐসু খঙই। ঐগীসু মোইনা অদুম খঙলমগনি। পূম্নমক অসি থোইবীমচাসু খঙই। মাসু ৱাদি কাঙদে, চপ মান্নবা মওংদা ত্রিট তৌই।

নোংমা ঐগা থোইবীমচাগা ক্লাস লৈতে হায়দুনা কোলেজগী ভেরেন্দাদা সুম-সুম চৎমিন্নৈ। কদোমদগীনো খঙহৌদে, ইমান্নবা অনীদু সাইন্স ব্লোকলোমদগী ফুঙ লাউনা ফাওদোরক্লে।

"ক্লাসকা য়াওদখে নোই অনীনা তৌরিসিনা কৈদৌরিবা?" ইমান্নবা অমনা ৱারৌরপ হংলকপনি। অমদুমদি পৈরপ-পৈরপ লৈবা উই। থোইবীচাগা ঐগা নোকই।

"মীনা হংলগা খুমগেদি হায়দ্রদনা ময়াগসি হিগৎতনগা লৈনে" ইমান্নবদুনা ৱাহংসি মনম-মনম নোৎশিল্লকপনি। মীতিক-মীরৌ খঙবী, ইঙ্গিৎ-ঈরাং খঙবী থোইবীচানা কেথরপ তৌদুনা ইমান্নবা অনীদু থেমজিনখি অদুগা কান্টিনদা লাক্লগা ঐখোয় মরি পকৌরা চাখিমাল্লে। নুমিৎতুদা ইমান্নবা ঐখোয় অহুম তিন্নরম্বদু খজিক ময়ি চৎপদৌনা তৌখি। নোংমা-নোংমগী সুম-সুম লাপথোক্লখি। লন্নাই ওইনা থোইবীচাদা মোইনা করি-করি হায়রমগদগে হায়বদুমদি খঙদ্রে। হায়রম্বা য়াই, হায়রমদবা য়াই, ঐসু থোইবীচাদা হায়নীংবা য়াম লৈখি, অদুবু কৈসু হায়বদি ঙমখিদে। এগজাম তৌখ্রে, অদুদৈ ঐখোয় লাপথোক্লখ্রে। ঐগী ইমান্নবা অমদি দেল্লীদা চৎলগা কম্পেনি অমদা থবক তৌখ্রে তাই। অমদুনা দিপার্টমেন্ট অমদা থবক মচা অমা তৌখ্রে। ঐসু এম এ তম্মে, পাস তৌরে, থবক ফংখিদে। মমৈদা পুলিস খনবগী লমজেলগা য়াওশিল্লুবদগী উচিন-নাচিন্না খনগৎতুনা থানা ওইনা থবক তৌরে। ঐনা লীনীংলিবা ৱারীসিনা, চাউরাক্লা চহী ১৫ মুক্কী মতুংদা নহান নোংমা অমা ইথা থাজদনা থোইবীচাদু রিলিফ কেম্প অমদা থেংনবৈ ৱানিসে। ঐদি মা লৈ হায়সু খঙদে। রিলিফ কেম্পতা ঐখোয় ময়াম অমা মতেং পাংবা চৎপনি। হাফ পেন্ট অমগা টি-শর্ট অমগা চমোৎ-চমোৎখৈ, অলু বোড়া অমা থাংলিঙৈদা তুংলোমদগী থোইবীচানা খংকৌ কৌরকখি।

"হায় রোনেল' ঐ খোঞ্জেলসি ঐঙোন্দা য়াম পোপ্যুলর ওইখিবা খোঞ্জেল অমনি খল্লগা শৎ লৈথোক্তুনা য়েংলুববু, থোইবীচা ওইরম্বৈ ৱানিসে। ঐ ইঙক ঙকখি। ইশাসি কৈনোমা তৌরকখি। ঐগী ফীভমদুদা ইকায়বসু ফাওখি।

"কৈদৌরম্মীনো?"
"ফি-রোল খরা পীবা লাকপনি লৈকায়গী ইচে, ইনম্মশিংগা, আলু পীরম্মীরা?"
"ঔ! পোৎ চৈ খরা মতেং পাংলুসি হায়দুনা লাকপনি, কমদৌরি?"
"কনানা খঙনোদা, পংলৈ লৈরি হায় তারে। নঙদি?"
"নুংঙাইরি"
"অঙাং কয়া লৈরে?"
"অনী শুরে" হায়না ইকায়রপ, নোকফেৎ লৈথরপ থোইবীচানা খুল্লকপদো উবদা, মতাং ইচা হেক চাদখৈ মথায়-থায়নগী ৱারীশিং মরী-মরী হেক নীংশিংলকই। মাসু নীংশিংলমদৌ মাল্লি।

"মমাঙঙৈগীদো" ঐগী ৱা লোইদ্রিঙৈদা থোইবীচানা থুরেখৈ খুল্লকই।
"নুংশিদ্রা?"
"নুংশি, নোকসু নোক্লিংই"
"নোই নমান্নবা অনীদুসু থেংনখিদ্রে"
"ঐসু কয়া লোয়নখিদ্রে"
"করিগীনো?"
"মরমলো?"
"ঔ"

"নঙ খঙলিদুদি" ইবানিমক খংনোক নোকথোকখি। নুমিৎতুদা ফোন নম্বর লৌনরে। নোংমা থেংনসি পাউমেন্নরে। থোইবীচা চৎখ্রে, ঐসু হল্লকখ্রে। নুংদাং তূম্বা য়াদে। কোথোক-কোথোক্তুনা মমাঙঙৈ ৱারী মরী-মরী নীংশিংলকখি। ফমুংদা থরো-মালো ওন-ওন্দুনা নীংশিংবী শান্নরি। ঐগী নুপীনা কৈদৌরে, নশা নুংঙাইতব্রা হংলকখি। ঐনা কৈসু তৌদেদা খুল্লুবদা অদুদি তূম্মোদনা হায়না শাউরপ হায়রকপদগী ঐ ওনখিদ্রে।

থোইবীচানা ময়ূম পাল্লিবা লৈকায়দুদা থবক অমগী চৎলুবদা লম্বীদা কোক হেক অমুক থেংনরে। চা থকসি হায়না নাকন্দা লৈরিবা হোটেলদুদা চঙলগা চা থক্লি। থোইবীচাগী নুপাদু পার্টি অমা চৎলুবগী নিশা ৱাওরি-ৱাওরি কারগা হল্লকপদা থোইবীচা লৈরমদবদৈ, কাই চৎখ্রে হংনরকপদা, হোটেলদা ফমহৌবনি হায়দুনা হাইরি-হাইরি লাকপজাৎনি। হোটেলদা থোক চঙলকপদা থোইবীচাগা ঐগা ৱারী অমগী মতাংদা ফাক-ফাক নোক্তুনা লৈবা হেক তাঞ্জাদা চঙলক্লে। থোইবীচানা হরাও-হরাও মাগী নুপাদা ঐবু শক তাকই।

"মাসি ঐগী থায়নগী মরুপনি, কোলেজ তম্মীন্নরকপনি। মবুক ফখ্রজাৎনি, নহান থেংনবনি। ঙসিসু অমুক থেংনরে, অদুদা চা অমা থকসি হায়না থক্লম্বনি, দদা লাও ফম্মীনৌ চা হায়খিগে"

"করি চা" মাগী নুপাগী খোঞ্জেলদু সুর ৱাংই। ঐ শ্বাই লাওই।

"থায়নৈ ৱারী নীংশিংলগা নোক্লম্মীনিনে হা। নুপা নঙ থোইবীচাসি ময়ূম পাল্লে, মচা লৈরে হায়সি খঙবা নৎত্রা হায়রগা ঐগী খজাইদা খঙহৌদনা অমুক্তং শেৎখিববু মখোল ফজবতা নত্তনা ঐ তন্দন পাই। থোইবীচানা হৌগৎলগা মাই নুপাবু খাম্মী।

"কৈনো অদুম্মাইনা তৌবা হৌনব্রো?"

"নোইনা তৌরম্মীসিদি হৌনব্রা, নঙসু ঙসিদগী চৎখ্রো চৎলো, য়ূম চঙলকপা য়ারোই হায়রগা গ্রোং-গ্রোং থোকখ্রে। থোইবীচা ঐবু হন্না য়েংলমদখৈ মাগী নুপাগী মতুংদা তান্নখ্রে। ঐ ঙাংশং ঙাংলবা খজাইদা নাল্লগা ইঙক ঙক্লা য়েংদুনা লৈহৌই।

— **নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

খোঙনা লৈদা থাং। শাথেকনা লিরেল লিগুম। থেকনিংবা মওংদা থেক। খোংজোং খোংলোল হৌনা। ৱাংলেল পুঙ তরুক। লেংনা ফাংনা য়াল। মকা লামনা হরাও থোইনা। পুঙলোল থোকনা য়ৈ। পুঙলোল নাইনা পুঙথিলবা। নিংথৌ মচা মমাংদা হৌখিবশিংনা। উনৌ খোংচা শমতা। মীপুম তিননা পুললমদ্রিঙৈ। ঔরি লীয়াই নোপনা। খোংলোল খুৎলোল খুৎশা তাংদোন থেকনা। মকা লামনা হরাও থোইনা নোইদরিঙৈ। উপাল য়াননা কক। উতুপ উমাই কোৎথোক হুৎতোকনা শেম। লিরেল খুরৌ ফলনা তিং। খোঙলোল খুৎলোল থেকনা মকালম। মীপুম খুদিং হৌনা। পুঙ তরুক য়াল। খোঙয়া তরেৎ থেৎনা। শলথোং পুঙবু থোকপা। মৈদিংঙু খুইয়োইতোমপোক। উরা পামচিং হৌবা। শলথোক পুঙবু পুথোকপা ও মিংকৌয়ে। হায়দবরা হায়য়ে। মৈদিংঙু খুইয়োইতোমপোক। মিংকৌবদি ফুদোংলবা সনাগুম। মমিং মিংথোলসিগা থোইনা হেননা চুশিননা চানবনে॥০॥০॥

**মৈতে লৈমা নোংমোইনু অহোঙবী**

ইবেনথৌ মৈতৈ লৈমা নোংপাললোল অঙোম চনু নোংমোইনু অহোঙবী কৌবীদি। কোরৌ নোংগুম অৱাংবা। অরু অহেন লমদমদগী। লুহোংলকতুনা য়ুমবাললকপী। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯈꯣꯡꯅꯥ ꯂꯩꯗꯥ ꯊꯥꯡ꯫ ꯁꯥꯊꯦꯛꯅꯥ ꯂꯤꯔꯦꯜ ꯂꯤꯒꯨꯝ꯫ ꯊꯦꯛꯅꯤꯡꯕꯥ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯊꯦꯛ꯫ ꯈꯣꯡꯖꯣꯡ ꯈꯣꯡꯂꯣꯜ ꯍꯧꯅꯥ꯫ ꯋꯥꯡꯂꯦꯜ ꯄꯨꯡ ꯇꯔꯨꯛ꯫ ꯂꯦꯡꯅꯥ ꯐꯥꯡꯅꯥ ꯌꯥꯜ꯫ ꯃꯀꯥ ꯂꯥꯝꯅꯥ ꯍꯔꯥꯎ ꯊꯣꯏꯅꯥ꯫ ꯄꯨꯡꯂꯣꯜ ꯊꯣꯛꯅꯥ ꯌꯩ꯫ ꯄꯨꯡꯂꯣꯜ ꯅꯥꯏꯅꯥ ꯄꯨꯡꯊꯤꯜꯕꯥ꯫ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯆꯥ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯍꯧꯈꯤꯕꯁꯤꯡꯅꯥ꯫ ꯎꯅꯧ ꯈꯣꯡꯆꯥ ꯁꯃꯇꯥ꯫ ꯃꯤꯄꯨꯝ ꯇꯤꯅꯅꯥ ꯄꯨꯂꯂꯝꯗ꯭ꯔꯤꯉꯩ꯫ ꯑꯣꯏꯔꯤ ꯂꯤꯌꯥꯏ ꯅꯣꯞꯅꯥ꯫ ꯈꯣꯡꯂꯣꯜ ꯈꯨꯠꯂꯣꯜ ꯈꯨꯠꯁꯥ ꯇꯥꯡꯗꯣꯟ ꯊꯦꯛꯅꯥ꯫ ꯃꯀꯥ ꯂꯥꯝꯅꯥ ꯍꯔꯥꯎ ꯊꯣꯏꯅꯥ ꯅꯣꯏꯗꯔꯤꯉꯩ꯫ ꯎꯄꯥꯜ ꯌꯥꯟꯅꯅꯥ ꯀꯛ꯫ ꯎꯇꯨꯞ ꯎꯃꯥꯏ ꯀꯣꯠꯊꯣꯛ ꯍꯨꯠꯇꯣꯛꯅꯥ ꯁꯦꯝ꯫ ꯂꯤꯔꯦꯜ ꯈꯨꯔꯧ ꯐꯜꯅꯥ ꯇꯤꯡ꯫ ꯈꯣꯡꯂꯣꯜ ꯈꯨꯠꯂꯣꯜ ꯊꯦꯛꯅꯥ ꯃꯀꯥꯂꯝ꯫ ꯃꯤꯄꯨꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡ ꯍꯧꯅꯥ꯫ ꯄꯨꯡ ꯇꯔꯨꯛ ꯌꯥꯜ꯫ ꯈꯣꯡꯌꯥ ꯇꯔꯦꯠ ꯊꯦꯠꯅꯥ꯫ ꯁꯂꯊꯣꯡ ꯄꯨꯡꯕꯨ ꯊꯣꯛꯄꯥ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯈꯨꯏꯌꯣꯏꯇꯣꯝꯄꯣꯛ꯫ ꯎꯔꯥ ꯄꯥꯝꯆꯤꯡ ꯍꯧꯕꯥ꯫ ꯁꯂꯊꯣꯛ ꯄꯨꯡꯕꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯍꯥꯌꯗꯕꯔꯥ ꯍꯥꯌꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯈꯨꯏꯌꯣꯏꯇꯣꯝꯄꯣꯛ꯫ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ ꯐꯨꯗꯣꯡꯂꯕꯥ ꯁꯅꯥꯒꯨꯝ꯫ ꯃꯃꯤꯡ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯁꯤꯡꯒꯥ ꯊꯣꯏꯅꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯆꯨꯁꯤꯟꯅꯅꯥ ꯆꯥꯟꯕꯅꯦ꯫꯰꯫꯰꯫

ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯅꯣꯡꯃꯥꯏꯅꯨ ꯑꯍꯣꯡꯕꯤ

ꯏꯕꯦꯟꯊꯧ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯅꯣꯡꯄꯥꯜꯂꯣꯜ ꯑꯉꯣꯝ ꯆꯅꯨ ꯅꯣꯡꯃꯥꯏꯅꯨ ꯑꯍꯣꯡꯕꯤ ꯀꯧꯕꯤꯗꯤ꯫ ꯀꯣꯔꯧ ꯅꯣꯡꯒꯨꯝ ꯑꯋꯥꯡꯕꯥ꯫ ꯑꯔꯨ ꯑꯍꯦꯟ ꯂꯝꯗꯝꯗꯒꯤ꯫ ꯂꯨꯍꯣꯡꯂꯛꯇꯨꯅꯥ ꯌꯨꯝꯕꯥꯜꯂꯛꯄꯤ꯫ ●